ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯲꯰, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯲ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, নবেম্বর ২০, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৩২শুবা মশীং

নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন

এগ্রীমেন্টতা য়াওগদবা ৱারোলশিং মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নীংই

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং নাগা লালহৌলূপশিংগী মরক্তা মতম শাংনা চত্থরক্লিবা পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্করবা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানখিবা ৱাফমশিং অমদি ফাইনেল এগ্রীমেন্টতা য়াওগদবা ৱাফমশিং মীয়ামদা খঙহনবা লৈত্রি। হৌখিবা ওক্টোবর থাদা নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি) অমসুং নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-আইসাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম)গা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ফাইনেল একোর্দ খূৎয়েক পীনবদা য়ানরে হায়রবনিনা পিছ টোক অসিগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লে হায়না লৌবা য়ারে। হীরম অসিগী মতাংদা ওফিসল ওইনা লাউথোরকপা লৈত্রগসু এন এস সী এন-আই এমনা তাল্লিবা নাগাগী তোখায়বা কন্সটিট্যুসন অমদি গ্রেটর নাগালিমগী মতাংদদি মতম খরগী ওইনা খন্নখিরোই হায়রি। পিছ টোক অসিগী ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ফাইনেল একোর্দ অসি খূৎয়েক পীনদ্রিঙৈগী মাংওইননা একোর্দ অসিদা করি-করি ৱাফম য়াওহনগদগে হায়বগী মতাংদা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা ৱারী শানখিগনি। তাঙ্কক অমদা নীংহন্নরুরবা এন এস সী এন-আই এমসু হৌজিক্তি ৱারোইশিন পুরকপগী থৌরাংদা য়াওশিল্লক্তুনা নাকল অনী য়ানবা পুরকখিবনি হায়নসু আর এন রবিনা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। অমরোমদা, লৈঙাক্কী সিনিয়র ওফিসল অমনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ফাওবদা নাকল অনীনা য়ানখিবা ৱাফমশিং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ময়েক শেংনা খঙহনখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা এন এস সী এন-আই এম অমদি এন এন পি জি য়াওনা ফাইনেল একোর্দ অসি খূৎয়েক পীনরগনি। অদুম্মকপু করম্বা মতমদা খূৎয়েক পীনগদগে হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি। প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরোনা থাদোরকখিবা চেরোল অমনসু ফাইনেল একোর্দ অসি খূৎয়েক পীনদ্রিঙৈগী মাংওইননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা তানরমখিগনি হায়বা ৱাফম লৈখ্রে। নাগা তাবা মফমশিং পূনশিনবগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীরোই হায়না খঙহনখ্রবসু হীরম খরদা য়ূমলোন্নরিবা ষ্টেটশিংগী অপূনবা শক্তম অমদি ঙমখৈদা অকায়বা থোকহনগদবা থৌরাং লৌখৎলক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈবদগী মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখি।

হৌখিবা চহী ৪০ রোম নাগাশিংগী তোখায়বা হোমলেন্দ অমা শেম্নবগী পান্দমদা খূৎলায় পায়বগী ঈহৌ হৌদুনা লাকখিবা এন এস সী এন-আই এমনা কুমজা ১৯৯৭তা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকা সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদা নাকল অনী য়াশিন্নবা পুরক্কবগী মতাংদা ৱারী শানদুনা লাকখিবনি। মসিগী মতুং কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট থাদা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবদগীদি নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন অমা শোয়দনা পুরক্লগনি হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখি। অদুবু ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টতা করি-করি ৱাফম য়াওবগে হায়বদুদি ঙসি ফাওবা ওফিসল ওইনা লাউথোকখিদে। ৱারী শানবা অসিদা নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি)সু কুমজা ২০১৭তগী য়াওশিল্লক্তুনা ঈং-তপ্পা পুরক্কবগী থৌরাং অসি খুমাং চাউশিনখি। এন এন পি জিদা য়াওরিবা অতৈ লালহৌলূপশিং অদুদি এন এস সী এন (কিতোভি ঝিমোমি), নাগা নেসনল কাউন্সিল, ফেদরেল গভর্ণমেন্ট ওফ নাগালেন্দ, এন এস সী এন (রিফোর্মিষ্ট), নেসনল পীপলস গভর্ণমেন্ট ওফ দ দেম্মক্রেটিক রিপব্লিক ওফ নাগালেন্দ (নন-একোর্দ) অমসুং খাঙো কোনয়াক্না লুচিংবা এন এস সী এন (কে)নি। অদুবু য়ুং ওংনা লুচিংবা এন এস সী এন (কে) য়াওনা নাগা লালহৌলূপ খরনা হন্দক্কী মতাং অসিদা ৱারী শানবা য়াওদবা মরম্না অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়রিবা অসি তশেংনা মপূং ফাগদ্রা হায়বদু খন্ননিংঙাই ওইরি। অমরোমদা হৌজিকমক্কী ওইনা ফাইনেল একোর্দ খূৎয়েক পীনদবা তারবসু নাকল অনী য়াশিন্নবা পুরক্লে হায়রিবা অসি করিগুম্বা ৱাফম খরদা য়ানবদগী শোয়দনা ওইরমগনি। করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা খন্নদনা য়াশিন্নবা পুরকপা হায়বসিদি ওইথোকপা য়াবা নত্তে। ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনবা মতমদা য়াওখিবা ৱারোলশিং মীয়ামদা খঙহনখিদ্রবসু হন্দক্কী মতাং অসিদদি অখন্নবা ৱাফম খরদা য়ূম্ফম ওইরগা য়ানবা পুরকখিবা শোয়দনা ওইগনি। মতাং অসিদা পন্নীংলিবা ৱাফমদি, চহী ২০ হেন্না ৱারী শানরকখিবা নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন অমা পুরক্কবগীদমক নাকল অনীনা য়ানবা পুরকখ্রিবা অসিদা য়াওরিবা ৱাফমশিং অমদি ফাইনেল একোর্দতা য়াওগদবা ৱারোলশিং মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নীংই। ফাইনেল একোর্দ খূৎয়েক পীনদ্রিঙৈগী মাংওইননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা তানরমগনি হায়রবনিনা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানরিবা ৱাফমশিং অদু খঙহল্লবদি ষ্টেকহোল্ডরশিংনসু মখোয়গী অপাম-পামদশিং ময়েক শেংনা ফোঙদোকপগী খূদোংচাবা অমা শোয়দনা ফংহনগনি। মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মীয়ামদা চিংনবা কয়া অমা লৈরিবা অসি কোকহনবদসু মতেং ওইগনি।

◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এদিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

ফজবা চৎনরোল তল্লসি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

মতম অমগী অহল লমনশিংগী হায়নবসু লৈ, লাইদা লৈ কৎপা, লাইদা কৎনবা লৈ হেকপগী চৎনরম্বা চৎন-কাঙলোন কয়া অমা, অদুবু মতমসিদা তাইওন্নবগুম তৌরি। লাইদা কৎনবা লৈ হেক্লরিবসি লাল্লি-চুম্মী অহল ওইবনা খঙদবা কনাদসু নঙনা তৌরিবদু লাল্লি অসুম্না তৌ হায়নসু তাকপীদে। অদুনা মাগী মাগী অনীংবা অপাম্বনা হৈনবী ওইনা লৈ হেক্লদুনা কৎনরি। অদুগা মপুবু থাজবা নুপী ওইবী খরদি পরিং চুম্না অহলশিংগী চৎনরম্বা লোনচৎ কায়দনা লৈ হেকপা, লৈ কৎনবা য়াওরি। অদুবু অয়াম্বনদি তৌনদবগুম উরি। অয়ূক য়াহৌরকপগী সুর্জদেব/কোরৌহনবা' খুরুম্বা, য়ুমগী লাই অমদি অতোপ্পা লাইদসু লৈ কৎপা মতমদা অহিং নোংলেনবা লৈনা কৎপা তৌহৈদে হায়নসু চৈনরম্মী। মতমসিদদি অহিং নোংলেন্না থম্বা লৈনা লাইদা অয়াম্বনা কৎনরি, লৈ হেকপসু য়াহৌবগা ইরুদ্রিঙৈ হান্না লাদা নৎত্রগা লৈ থিনবা পোলাংদা লৈনা থাদুনা লৈ হেক্তুনা থল্লগা ইরুজরগা খুদক্তা হেকপা নোংলেন্দবা লৈদু কৎলি হায়নৈ। হৌজিক্তি কনাগুম্বা খরদি ধুপ কৎলমদাইদা খূত্তা করিসু য়াওদনা শাৎলিবা লৈদু মখূৎনা পৎ-পৎ থৎলগা লাইদা কৎপসু য়াওনদবা নত্তে। মদুনা তৌদ-য়াদবগী মতৌ মান্না কৎলি। মদু লাইনা লৌগদবা মান্দে।

মতম অমদদি য়ূমথোঙ খুদিং লৈ থানবনা লৈগী অৱাবসু লৈনরমদে। ঙসিদি শুমাং থেল্লোং লৈনরক্তবনা লৈ থাবগী ৱাখল লৈনদ্রে, মীগীদা শাৎপা লৈ মপু হায়দনা হেক্তুনা কৎপসু য়াওরি। অমরোমদা মপু তাক্তনা হেকপা লৈনা লাইদা কৎপসু তৌহৈদে, লাইনা লৌদে হায়নৈ। অদুনা মপুদা হায়রগা হেক্লে। দেব কর্ম্ম থোক্লরবসু লৈশাবী মচাশিং নেক্তুনা লৈ শাৎফম থিদুনা হেক্লরম্মী। অসিগুম্বা ফজরবা লিক্লম অসি য়েংলগা/খন্থরগদি নোংলেনবা লৈ কৎনবসি খোঙ্গুলদা তারবী লৈনম চেন্দ্রবী লৈ কৎপগা পাঞ্জক ওইব্রা নীংই। খুদক্তা হেকপা লৈনম চেনবা কৎপনা মপুনা লৌগদবসু মাল্লি। মতমগী য়াওলনিনা খুদক খুদক্তা হেক্লবা লৈ লৈনরক্তে। লৈ শাৎলবসু হেক্লগা কৎপগী মহুত্তা অশম্বী ওইনা কৈথেলদগী নোংলেল্লবা থরো থম্বাল, লৈ মখল লৈদুনা কৎনৈ। মতম অদুদদি কৈথেলদা লৈ য়োনরমদে হায়না তাজে। হৌজিক্তি লৈ য়োন্দুনা মীওইবগী হিংনবগী লম্বী অমা ওইনরি হায়বদা হায়মনবা ওইরোই। ঐখোয়না লাইনীং লাইশোনগী লৈ কৎপদসু ইপা ইপুনা চৎনরম্বা ফজরবা চৎন-কাঙলোন অদুতংদি মাঙহন্দনা মতমসিগী নিংঙোল, মৌশিংনা ইশানা মপুগী থৌরমদা থৱায় য়াওনা তৌহঞ্জনীংই।

নাকল অমরোমদা নুপী ওইবী কয়াগী থম্মোয়দি লৈরাং লৈনাদগী হেন্না থোৎলি, নূংদগীসু হেন্না কল্লি হায়নবা লৈ। অদুবু অচুম্বদি অচুম্বনি, নুপীশিংগী থৌনা লিংজেল নূংগুম্বনি হায়নীংই। নুপানা শূবা ঙমদবা থবক্তা অৱা-অনা নাচুংদনা মরিংজেল মথৌনা লৈনা তৌরকই। নুপাগী শিনফমদসু চেক শূবা, য়ুম শাবগী থবক্তসু নুপাদৌনা শূবা য়াওনরি, চাউথোকনীংঙাইনি। মসিদা অমুক মীৱা তাবসু কোঙ্গাইনি, মীনা ঙাওনবীবসু কয়ানি, কৈথেলদা ফম্বী ওইনসু নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা এঙ্গাং নাপি মখল মথেল য়োঞ্জদুনা মপুরোইবা লৈখিদ্রবী, লৈরিবা লায়রবা মচাশিং মহৈ তম্বা, চাবা থকপগী হোৎনবদা অৱাবা থিদবী কয়াসু য়াওনরি। অদুগা কনাগুম্বী নুপী খরদি অৱা চৈথেং খাংঙমদা অরোনবা লোনচৎ থৌরম্না চৈথেং ফংলবসু হায়দোক্কনদে হায়দুনা থম্মোয় কল্লিসু হায়নৈ। লৈনাগুম্বী মখোয়গী থম্মোয়দা কনাগুম্বনা ৱাহৈ অমা হায়রকপদা ঙল্লোই হায়বা ৱাহৈ ওইদ-পাদ চীরোলনা শুমখিদুনা থাজগল্লি, থম্মোয় নৌথোকখিবা মরম অসিনা পাঙ্গল ফনা কল্লবসু নুপী ওইবীনা পাঙ্গল শোনবীগী মনুং চঞ্জরি। অদুনা করিগুম্বদা মীয়ামগী মীৎয়েংফম য়েংশিনফম ওইরিবী নুপীগী পুন্সিনা পূক্কিং লৈতানা ৱাখল মুন্না খন্থনদুনা ফজবা চৎনরোল তল্লসি। মীরমগী মীপাল তাংলম্বা তায়োন্নবা ৱাখল, পুন্সি মরেল তোক্লসি, ফিজেৎ লৈতেং ফজবনা ইরমদম্বু নুংশিবা থমদুনা অখাং কনবী ইরমদম ইমাগী মচা ওইবীদুনা নুংশিবা লৈনম চেনবী পুন্সি ওইবীয়ু হায়জনীংই।

অদোমগী- তবানু খুরাইজম
ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়

লৈকায় পল্লানখ্রবা লৈনমনি

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

খূবাক মচেৎমুক পাকপা পিকখ্রবা লমনি হায়না ফাওবা হায়নরিবা লমনি ঐখোয়গী ইরৈবাক মণিপুর অসি। পিকখ্রবা লম অসিদা চহী চা কয়াদগী হৌনা কাঙলূপ ফুরুপ কয়ানা পূন্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লি। কাঙলূপ ফুরুপ য়াম্বগী মতিক মীগী মশীংসু নোংম-নোংমগী অসুম হেনগৎলক্লি। লমদম অসিদা তারিবা ফুরুপ কয়াগী মীয়ামগী ফাওনলোন ওইরিবা অসি মণিপুরী হায়বা অসিনি। ঙসিদি মণিপুর হায়রিবা লমদম অসিদা মৈতৈলোল ফাওবা খঙদবা মীওই কয়া অমসু লৈরি। মসিনা তাকপদি মাগী মাগী মান্নবা কাঙলূপশিংগী মনাক্তা নারোলদগী মীতোপ কয়া হাইজিল্লকখ্রে হায়বা অসি ময়েক শেংনা তাকপনি। স্বাইদনি লমদমসিদা মীতোপ মীয়ানগী মশীং হেনগৎলক্লে হায়না নুংশা কন্না থিনরিঙৈগী চৈরক্তা সী এ বি হায়বা অমা থোরক্তুনা অমুক্তা হেন্না মীপাইরিবা অসি।

লৈঙাক্লোমগী মায়কৈদা য়েংলগদি য়াম্না নাখে শেংই হায়না লৌফম থোকই। মখোয় ওইদবা ৱা কৈসু হায়জদে। তৌগদবদু থবকশিংগী মমিং মথা পন্দুনা সিমদি তৌনি হায়বসি য়াম্না থম্মোয় শেংনা হায়জরগা লাকখি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী চাউখ্রবা ভোটচাউ অদুগী মীখলগী ভোট খোম্বদা মতমদুগী চাউর-চাউরবা হৌজিক হৌজিক্লা লৈঙাক পায়রিবা মতমদুদসু লৈঙাক থৌঙাক পায়খিবা পার্টিগী মচিন-মৱা চৎপা লুচিংবশিংনা অদুম হায়জে - *"ঐখোয়না মীখলদা মায় পাক্লবদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি শোয়দনা চৎনহনগনি"*হায়না। মসি লোন্না থুপ্পা হায়খিবগা নত্তে। য়ামখ্রবা মীয়াম মাঙদা অৱাংবা প্লেটফোর্মদা লেপ্পগা মাইক্রোফোন্দা লাউখিবনি। মদু অমুক মিদিয়াদা শবাক ফাক্তুনা খঙদবা-তাদবা মখে লোইনা খঙনবা-তানবা পাউ ওইনা ফোঙদুনা লৈখ্রবনি। মীখলদু পার্টিদুমক্লা মায় পাকখি। খজিক খরক্তা পাকপা নত্তে, য়াম্না নীংথিনা মশীং হেল্লগা মায় পাকখি। অনীশুবা লৈঙাক শেমখি। হৌজিক্তি মখোয়না মেজোরিটিদু মখূত্তা পায়দুনা লৈবনিনা লৌনীংবা ৱারেপ লৌবদা কনানা মোদোলৈ চিঞ্জিরনি হায়বগে। অপাম্বা খুদিংমক শোয়দনা পাঙথোকপা তাবনি। মাঙজৌননসু হায়খ্রবা ৱানি, হায়খিবা ৱা ঙাক্তবা হৌনব্রা? মপারোমদগী পুরোল তরেৎ মমারোমদগী পুরোল তরেৎ, পূন্না পুরোল ১৪ পন্দুনা শরিখ্রবা ৱাফক অমা থবক ওইনা পাঙথোরকপবু করি লৈবা থবক্লো? সী এ বিগী মতাংসিদি ঈশেং শেংনা হায়রবদা হান্না লৈকায় পল্লানখ্রবা লৈনমগা চপ মান্নে। ঙসিখক্তা হুমজিল্লকপা লৈনম নত্তে। কুইরবগী মমাঙদা শোয়দনা তৌরনি হায়বা ইখঙ খঙনখ্রবা লৈনম্লি।

সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল শোয়দনা পুথোক্লনি হায়বসি বিজিনেস এজেন্দা শেম্বদা য়াওরে হায়বসি নেসনল মিদিয়াদা ফোঙখ্রে। পার্লিয়ামেন্টতা শোয়দনা কাপথোরক্লনি। ওপোজিসনদা লৈবা এম পি খরনা বিলসিগী মতাংদা ৱায়েৎ খরা লাকপা য়াই। লাক্লবসু লাক্ত্রবসু নমদুনা অদুম ভোইস ভোটতা পাস তৌখিনি। রাজ্য সভাদসু অদু মঙাই, মমাঙদা মখোয়গী মীচং কয়া য়াওরমদ্রবসু হন্দক্তি মখোয়গী মশীং শুনা লৈরবনিনা শোয়দনা পাস তৌখিনি, অতৈদি অদুম চৎনরনি। থুরেমখৈ প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীবগা লোয়ননা গেজেটতা থোক্লনি। খুদক্তা চৎনবা হৌনবা থবক পায়খৎলনি। ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈগদবা নত্তবনা মখোয়গীদি থোইদোক্লা করিসু হায়রোই। অমরোমদা অচৌবা ষ্টেটশিংগীদি অচৌবা লমজাও লমহাং ময়াম অমা লৈ। নোর্থ ইষ্টতদি অহাঙবা লমহাং অমা ফাওবা লৈতে। উমংগী শরুকনি হায়না খরা লৈরম্বসু মীশিং য়ামখৎলকপনা মরম ওইদনা কোকথোক্লগা য়ূম তাশিন্নরক্লি। পাৎ, তুরেল, লৌ উনরিবা লৌফম ফাওবা ফুঞ্জিল্লগা য়ূম্ফম থোজিল্লক্লবা অসিদা মপাল্লোমদগী থোমজিল্লকপা অমদি হান্নদগী লৈরবা মীয়ামশিং অসিনা সিটিজনসিপ থোক ওনখিবা মতম, ঈশিং ইচাওগুম্না পাইশিল্লক্কদৌরিবা মীয়াম্না মাগী মাগী লৈফম থিরকপদা পিকখ্রবা ষ্টেট মচা মচাশিংদা মীৎয়েং থম্নরক্কনি। হান্ননা পুমচিন চিন্দুনা মঙক য়ৌরবা লিক্লিগুম লৈরিবসিদা মীতোপ মীয়াম ময়াম অমা থোমজিল্লকপা হায়বসিদি পোকখায়বা তাবনি। লোয়ননা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী লৈজরিবা কলচরেল আইদেন্টিটি কয়া অসি কাং খোং চাইবা হায়বসি ময়েক্লা ইতা তাজরবা ৱাফম্লি হায়বসি অখঙ অহৈ কয়ানা তোয়না হায়নদুনা লৈরিবা ৱানি।

হৌজিক সী এ বিগী ৱাফম অসি খংচাউ চাউথোরক্লে। সী এ বি অসিনা মরম ওইরগা মরু ওইনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা ওইরক্কদবা কয়াগী ৱাফমশিং পুথোক্লদুনা ৱাফম কয়া থম্নরক্লে। মরু ওইনা নোর্থ ইষ্টকী ওইনা শেমখিবা অপুনবা লূপ অমা ওইরিবা এন ঈ এফ আই পিনসু সী এ বিগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লি। মণিপুরদসু মেনপেককী মায়কৈদগী মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লি। মতাং অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থল্লিবা ৱাফমদি সী এ বি অসিনা মণিপুর শোকহন্দনবা ক্লোজ খরা হাপকনি হায়বা অসিদা চপ চানা থাজবা থল্লি হায়বা অসিনি। মসিগী মতাংদা নেটৱার্ক চেন্নেলশিংদা মশীং খঙদনা দিস্কসন তৌখ্রে। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদা লৈরিবা পার্টিনদি মখোয়াগী পার্টিগী লুচিংবশিংনা হায়বা ৱাফমদা থাজবা থল্লি হায়বসিদগী হেন্না করিসু থোইদোকপা মীপাইবা মতৌ উবা ফংদ্রি। অদুগুম্বা পার্টিদুগী ৱাঙাঙলোইশিংনা অমরোমদা সী এ বি অসিগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙবা ঙমদে হায়বা ফাওবা হায়দুনা মীয়াম্বু অপংবা তাহনবসু য়াওখ্রে। অদুবু নুংঙাইরিবদি হৌখিবা মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা রাজ্য সভাদা বিল অসি পুথোক্লবগী থৌরাং পুল্লোই লোইরবদা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা চত্তুনা হায়নরুবদগী পুথোকখিদ্রে হায়না ঐখোয়গী লুচিংবশিংবু য়াল্লবা মীয়াম্না তরাম্না ওক্তুনা লৈ পরেং হুখিবগী থৌরম লৈখি। হৌজিকসু য়াম্না নাখে শেংনা হায়রি, বিল অসি পুথোক্লবসু মণিপুর শোক্তনবা ক্লোজ অমা হাপকদৌরি হায়না। করি হায়না হাপকদৌরিবনো? অতৈগী ৱাদি পন্দনা মণিপুরখক্তগী ৱা পল্লগা মণিপুরগী ওইনা করিমত্তা শোকহল্লোই হায়না হায়রিবসি হৌজিক মুনি-মানি হায়বা খঙদনা লৈরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিগী ৱারোইশিনগা চপ মান্নদ্রা? বিল অদুদা মণিপুর শোকহল্লোই হায়বা ৱা য়াওরমদ্রবদি মণিপুরদগী চৎখিবা এম পিশিংনা পার্লিয়ামেন্টতা করি হায়বা অমদি তৌবা ঙমগদৌরিবনো? মতমদুদা মখোয়গী থৌনা অদু লৈবাক মীয়াম্না য়েংবা তারিব্রা?

সী এ বি হায়বসি য়াম্না তরায়না লৌবা য়ারোইদৌরি। নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্না অসুক য়াম্না মীপাইনরিবা অসিবু করিসু থৌশাদনা বিল পাস তৌরক্লবদি নোর্থ ইষ্টতা অমুক্তা উদ্রিবা ঈহৌ খরা শোয়দনা হৌরক্তুনা কোক শানগদৌরি হায়না হায়রিবা অসিনা চুল্লগদি কমদৌগদৌরি? হন্দক্তি মণিপুরসে কৈনোমা ইতৌ তৌদৌরি? সী এ বি অমদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিনা মরম ওইরগা করিগুম্বা খরদি শোয়দনা লাংনরক্কদবা মাল্লি। করি তৌরক্কদগে হায়বদুদি ঙাইখিবা তারি। ●

শৰু তেকপা শৌজিন্নহনবদা শীজিন্নবা মরোমদোম তুমজখিবা ঙম্বা স্ক্রু

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

শৰু হায়বসি মরুওইনা কোলাজেন অমসুং কেলসিয়ম ফোস্ফেটনা শেম্বা, হকচাংগী ঙাক্লৌ ওইরিবা, অথোৎপা টিসু অমসুং ওর্গানশিংবু ঙাকথোক্লিবা (কোক্কী তুম্বানা থোপপু ঙাকথোকপা), ঈ শুংলিবা বোন মেরোগুম্বা অখন্নবা টিসুশিংবু ঙাক-শেল্লিবা অদুগা কেলসিয়ম অমসুং ফোস্ফরসকুম্বা মিনরেলশিংবু তুংশিন্দুনা থল্লিবা ওর্গান অমনি। শৰু অসি করিগুম্বদা তুশিন-থেংজিল্লুবা, এক্সিদেন্ট নৎত্রগা ওষ্টিওপোরোসিসকুম্বা লায়নানা মরম ওইদুনা তেকপা অমসুং কায়বা য়াওই। অসিগুম্বা মতমদা তেক্লিবা নৎত্রগা কায়রিবদুগী মতুংইন্না, বিলাটিমাটি (তশেংবদি প্লাষ্টর ওফ পেরিসনি) হৈজিনবা, য়োৎ (ষ্টিল) নৎত্রগা টাইটানিয়মগুম্বা ধাতুশিং ফুল্লগা স্ক্রুশিংনা ফাজিন্দুনা থম্বসি তৌনৈ। তেক্লিবা নৎত্রগা কায়রিবা শৰু অদুনা মপূং ফানা শমজিন্নরে হায়বা খঙলবা মতুংদা য়োৎ নৎত্রগা টাইটানিয়ম অদু অমুক হন্না থাং থারগা লৌথোকপা তৌনৈ। অদুবু ঙসিদি সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা নোংম-নোংমগী চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নরক্লি। মখোয়গী মনুংদা মেগ্নেসিয়ম ওর্থোপেদিক স্ক্রুশিং পনবা য়াই। মখোয়সিদি হকচাং মনুংদা মরোমদোম তুমজখিবা ঙম্মী, অদুনা অমুক হন্না থাঙ থাবগী মথৌ তাদে; অদুবু ধাতুসিনা করম্না তুমখিবগে হায়বসিদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি অদুগা মেগ্নেসিয়ম হায়বসি কোহ্লিং কাগনবা ধাতু অমসু ওই। অতোপ্পা অমরোমদনা, মরোমদোম তুমজখিবা ঙম্বা ওর্গানিক মেটরিএলশিং শীজিন্নবনি, অদুবু মখোয়সিসু হকচাংবু ঙাক্লৌ পীবদা মতিক চপ চারবা হায়বদুদি ওইদ্রি। অদুনা লম্‌সিদা মখা তানা থিজিনবগী তঙাইফদবা লৈরকখি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিংসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা অনৌবা টেক্নোলোজি অমা 'স্বিস ফেদরেল লেবোরেটরি ফোর মেটরিএলস সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (ঈ এম পি এ)' গী থিজিল্লোয়শিংনা পুথোকপা ঙল্লে হায়রি।

মরোমদোম তুমজখিবা ঙম্বা মেগ্নেসিয়ম্না শৰুগী মহুৎ শীঞ্জিনবগী থবকসি মরুওইনা অঙাংশিংদা য়াম্না কান্নবা ফংই। মরমদি অঙাংশিংগী শৰু অসি য়াম্না থুনা চাউখৎলকই। অসিগুম্বা মেগ্নেসিয়মগী স্ক্রুশিং অসিনা অঙাংশিংগী শৰুনা চাউখৎলকপা মতমদা অয়েৎপা পীদে, অদুগা অমুক হন্না থাঙ থাবগী মথৌ তাদে। মসিগীসু মথক্তা, মহীকশিংনা ইনফেক্ট তৌবগী চাং নেম্মী অমসুং শেল চংবগী চাংসু হন্থে। ঈ এম পি এগী 'লেবোরেটরি ফোর জোইনিং টেক্নোলোজিস এন্দ কোরোজন'গী এরি ব্রুইনিঙ্কনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মেগ্নেসিয়ম এল্লোয়শিংসি মরোমদোম তুমজখিবদা নত্তনা, শৰু শৌজিন্নবা হৌরকপা মতমদা ঙাক্লৌ ফজনা পী; অদুনা টাইটানিয়মদগী হেন্না খুদোং চাই হায়রি। মসিমক ওইদুনসু মসিগী খুদোংচাদবা অমদি লৈরম্মী : তুম্বগী থৌওংসিদা কোহ্লিং কাবগী থৌওংশিংসু থোরকই অদুগা অমাঙবা থোকহনবা নৎত্রগা থোকহন্দবা পোথোকশিং পুথোরকই। শীজিন্নরিবা মেগ্নেসিয়ম এল্লোয়দুগী মতুংইন্না হায়দ্রোজেন গ্যাস থাদোরক্তুনা অনাবদুগী উনশাগী মখাদা পোমখৎলকপা ফাওবা য়াওই।

মেগ্নেসিয়ম্না ওক্সিদাইজ তৌদুনা হায়দ্রোজেন থাদোরকপা, মেগ্নেসিয়ম স্ক্রুশিংনা তুল্লকপসি কোহ্লিং কারকপদগীনি হায়না থাজনরবসু, গ্যাসকী অপোম্বদু হকচাং মনুংদা থোক্লিবা মেকানিজমশিংনা লৌথোকপা ঙম্ফম থোকই। হকচাংনা লৌথোকপা ঙম্বগী ৱাংমদা গ্যাসতুবু থাদোরক্লবদি, পোম-খৎলক্তুনা তেক্লবা নৎত্রগা কায়রবা শৰুদুনা ফগৎলকপগী থবক্তা অয়েৎপা পীরকই। অসুম্না বাইও-কোরোজন থোকপসিগী মতাংদদি ইখঙ-খঙনদনা লাকখি। বাইও-কোরোজন অসি করম্বা ফীভমশিংদা, করম্বা মওংদা থোকপগে হায়বসি অখন্নবা শেমগৎলবা এনালাইটিকেল মেথদশিং শীজিন্নরগা ঈ এম পি এগী থিজিল্লোয়শিংনা পাঙথোরকখি।

থিজিল্লোয়শিংনা খ্বাইদগী চুনবা মেগ্নেসিয়মগী এল্লোয় অমসুং হকচাংদা অমাঙবা থোকহন্দবা ইলিমেন্টশিং খল্লগা মেগ্নেসিয়ম স্ক্রুশিং শানবগী থৌরাং পায়খৎখি। শারিবা স্ক্রু অদুনা তপ্পা তপ্পা কায়থরক্তুনা গ্যাসকী অপোম্বা লৈহন্দবা হায়বদি হকচাংনা শেল্লক্লিবা গ্যাসতুবু লৌথোকখিবা ঙম্বা হায়বসিনা মখোয়গী পান্দম ওইরম্মী। বাইও-কোরোজন থোকপগী চাং অসি টিসুদুগী এসিদকী চাংগী মখা পোল্লি; খজিক্তং এসিদিক ওইবা অকোয়বগী ফীভমদা, হায়দ্রোজেনগী চাং ৱাংনা থাদোরকই; খরিগী চাং হেল্লগনা কার্বোনেট য়াওবা পোথোকশিং থাদোরকই, অদুগা মসিনা মেগ্নেসিয়ম্না কায়থরকপদু থিংবা ফাওবা ঙম্মী। ঈগী মতৌগুম্না, খরিগী চাংনা পি ঐচ ৭.৪ ওইবা মতমদা, মেগ্নেসিয়ম হায়দ্রোক্সাইদ অমসুং ফোস্ফেটশিং থাদোরক্তুনা মখা তানা কোরোজন থোকপগী চাং হন্থহল্লকই। ঈ হায়বসি পি ঐচ ভেল্যুবু অকক্লবা চাং অমদা থম্বা ঙম্বা বফৰ অমনি। অদুগা ইন্টরষ্টিসিএল ফ্লুইদ হায়বসিনা সেলশিংগী মরক্তা লৈবা ফ্লুইদ অমনি অমসুং হকচাংগী অরূম্বগী চাদা ১৬ মুক্তি মসিনা শেম্মী। ফ্লুইদ অসিনা থরোই অমনা চৎপগী স্পিদতগী শরুক চাম্মা তপ্পা চৎলি। হায়রিবা ফ্লুইদ অসি মেগ্নেসিয়মগী স্ক্রুশিংনা কায়থরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌই। ইম্ম্যুন সেলশিংনা লাকশিন্দুনা পাঙথোক্লিবা অমসুং শৰুগী শক্তম কায়দনা অমসুং রিমোদেল্লিং তৌরিবা, অতেকপা শৰু শৌজিন্নবগী থৌওংসি ইন্টরষ্টিসিএল ফ্লুইদতা পাঙথোকই।

অদুমকপু, ফ্লুইদ অসিগী এসিদিটিসি ঈগী এসিদিটি হোংবদগী হেন্না চাউনা হোংদোক-হোংজিন তৌই। হকচাংগী শরুক অমসুং টিসুদুগী ফীভমগী মখা পোন্না, পেরামিটর কয়ামুক্লা স্ক্রুদুদা অহোংবা থোকহল্লি। হকচাং মনুংদা থোক্লিবা বাইও-কোরোজন্দু মায় পাক্লা পাঙথোকহন্নবগীদমক, ব্রুইনিঙ্কনা এনালাইসিস টেক্নিক অমসুং ফ্লো সেলশিং শেমগৎলম্মী; মসিগী মতেংনা হকচাংদুগী পি ঐচপু চাং চানা থল্লম্মী। খুদম ওইনা, ফ্লো সেল তরাগী বেট্টরি অমদা, থিজিল্লোয়শিংনা খূৎশেমগী ইন্টরষ্টিসিএল ফ্লুইদতা মেগ্নেসিয়ম এল্লোয়গী সেম্পলশিংদু হাপচিল্লম্মী অদুগা মীওইবগী হকচাংদা চেনবগী স্পিদতুগা চপ মান্নহল্লম্মী। পি ঐচ ওনবখক্তা নত্তনা, ইলেক্ট্রোকেমিকেলগী ওইবা মগুনশিংসু অপিকপা ফ্লো সেলশিংনা ওল্লম্মী। ইন্টরফেসশিংগী ইলেক্ট্রোকেমিকেল পোটেন্সিএলশিং, ইলেক্ট্রিকেল ইম্পিদেন্সকী অহোংবশিংসু পুথোকপগা লোয়ননা হায়দ্রোজেন থাদোরকপগী চাং পুথোক্লম্মী। ফ্লো সেল হায়বসি হকচাং মনুংদা থোক্লিবা বাইও-কোরোজনগী মহুৎ শিনবা ঙম্বা অপিকপা লেব অমনি। মখোয়না হকচাং মনুংদা তশেংনা থোক্লিবদু ফংহন্নবগীদমক, এল্লোয়গী সেম্পলশিংদুবু অহিংবা সেলশিংগা লোয়ননা মিনিলেব অমদা থম্লম্মী। বাইও-কোরোজন থোক্লিঙৈ মনুংদা, মেগ্নেসিয়ম এল্লোয়শিংদা থোরক্লিবশিংদু খঙদোক্লগা থিজিল্লোয়শিংনা মেগ্নেসিয়ম স্ক্রুশিংনা তুমশিল্লকপদু চাং অমদা থম্বা ঙল্লম্মী। অসুম্না হকচাংদা পোমখৎপা অমসুং কান্নদবা রিএক্সনশিং থোকহন্দবা ঙল্লম্মী। মতৌ অসুম্না হকচাংদা অমাঙবা থোকহন্দনা মেগ্নেসিয়ম এল্লোয়শিংনা শাবা খূৎশেমগী স্ক্রুশিংবু হকচাং মনুংদা মরোমদোম তুমজখিবা ঙমহল্লি। ●

মরোমদোম তুমজখিবা ঙম্বা মেগ্নেসিয়ম এল্লোয়গী স্ক্রুশিং শীজিন্নবগী শক্তম

এরি ব্রুইনিঙ্ক অমসুং মহাক্কী ফ্লো সেলশিং